হোটেল ইম্ফালগী সঙাই হোলদা পাঙথোকখিবা সনা সঙাই ফিল্ম প্রদক্সনগী বেনর মখাদা অহুমশুবা ওইনা পুথোক্কদবা *শেন্দোইদি অহিং তুমদে* হায়না মীংথোনবা ফিল্মগী ঈরাৎ থৌনি থৌরমদা শরুক য়াখিবশিং

যুনিকাস দেল্লিগী এদভাইজর ডা. বোবো নাওরেম অমসুং প্রসিদেন্ট পালমোল য়েংখোমনা লুচিংবা টিম অমনা মৈনা মাঙ তাকহনখ্রবা অঙান চীং ইকোপ পার্ক অমুক হন্না শেমগৎ শাগৎপদা মতেং ওইনবা শেলগী তেংবাঙ পীখিবা

কঞ্জুমরস ক্লব মণিপুরনা শীন্দুনা টেক্লিং প্লাষ্টিক পোল্যুসন হায়বা থিমদা জি এম হোলদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কঞ্জুমর রাইটস দেগী থৌরমদা দাইজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখিবশিং

ORLD CONSUMER
RIGHTS DAY
Under the theme of "TACKLING PLASTIC POLLUTION"
On Monday, the 15th March 2021
Venue : GM Hall Imphal West
CHIEF GUEST
PRESIDENT
লামায় ৪

সেন্টর ফোর সোসল দিভলপমেন্ট অমসুং মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কন্মিসন্না খুৎশম্নদুনা শিল্লগা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা হ্যুমেন রাইটস এদভোকেট অমসুং ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসরশিংগী ওইবা বেসিক হেন্দবুক অমা ফোঙখিবা

BOOK RELEASE FUNCTI
লামায় ৪

পি সরতচন্দ্রনা পিছ, হেল্থ অমসুং এদ্যুকেসনগী পাউজেল পুদুনা কিলোমিটর ২৫ শাংনা লমজেল চেনগদৌরি

RUN 25 KM FOR
PEACE, HEALTH & EDUCATION

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস):

লমদম অসিদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লোকদাউন তৌখিবা চহী অমা ফারকপগা লোয়ননা এনলাইটন নোজেল (ঈ কে) হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী সেক্রেটরি পি সরতচন্দ্রনা লাক্লিবা মার্চ ২১দা পিছ, হেল্থ অমসুং এদ্যুকেসনগী পাউজেল পুদুনা হৈঙাং এ সীগী অকোয়বদা কিলোমিটর ২৫ শাংনা লমজেল চেনগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

সঙাকফমদা লৈবা ঈ কে হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখিবা পাউজী মীফম অমদা স্কুল অসিগী সেক্রেটরি পি সরতচন্দ্রনা হায়খি, হৌখিবা কুমজা ২০২০গী মার্চ ২১দগী ষ্টেট অসিদা কোভিদ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটি অমদি মহৈ লোইশঙ পুম্নমক থিংজিন্দুনা মহৈরোয় কয়া অমা মহৈ তম্বা ফংদনা লাকখি। লোকদাউন তৌখিবা অসিনা মরম ওইরগা মীপুম খুদিংমক য়ূমদগী মপান থোক্তনা লৈরকপদগী ৱাখল অমদি হকচাংদা নুংঙাইতবা কয়া অমা থোকহনখি। লোকদাউন তৌখিবা অদু লাক্লিবা মার্চ ২১দা চহী অমা ফারগনি। মরম অসিনা লাক্লিবা মার্চ ২১দা ইরমদম অসিদা অমুক হন্না ঈং তপ্পা পুরক্লবা মীয়ামবু তিঙ্গং কায়জংদনা মশা মউ ফনা লৈননবা, মহৈরোয়শিংবু মহৈ মশীনগী লম্দা মীথোই মীহেনবা পুরক্লবা অমদি ইরমদম অসিদা অচুম্বা অশেংবা, অওনবা অমা পুরক্লবগীদমক হৈঙাং এ সীগী খুঙ্গং, লৈকায়শিং শম্নরিবা মরু ওইবা লম্বীশিংদা চাওরাক্লা কিলোমিটর ২৫ রোম শাংনা পিছ, হেল্থ অমসুং এদ্যুকেসনগী মতাংদা পাউজেল পুবা লমজেল অসি চেনগদৌরিবনি।

পাউজেল পুবা লমজেল অসি পি সরতচন্দ্রগী পোক্লফম ওইরিবা হৈঙাং ময়ায় লৈকায়দা লৈবা স্পোর্টস এন্দ দিভলপমেন্ট কন্মিটিগী গ্রাউন্দগী অয়ূক পুং ৮দগী চেনবা হৌগনি। অদুগা হৈঙাং মখা থোং, কাইরং থোং সলানথোং, সঙাকফম, কোন্থা অহল্লুপ, খাবম, অচানবীগৈ, কোইরেঙ্গৈ থোং, মাইবা খুল, মোংজমনচিংবা মফমশিং ফাওরগা হৈঙাং ময়ায় লৈকায়গী ঐচ এন এল এস দি সীগী গ্রাউন্দদা লমথুংফম ওইগনি। লমজেল চেনগদৌরিবা অসিদা মীয়াম্নসু পুক্নিং থৌনা হাপ্পীয়ু হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ৱর্ল্ড কঞ্জ্যুমর রাইটস দে থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস):

টেক্লিং প্লাষ্টিক পোল্যুসন হায়বা থীমদা ৱর্ল্ড কঞ্জুমর রাইটস দে কঞ্জুমর ক্লব মণিপুরনা শীন্দুনা জি এম হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা লময়ানবা ইপুনা হায়খি, মালেমদা লৈরিবা মীয়াম্না অৱাবা থোক্তনবা হোৎনবদা শীজিন্নরিবা পোৎ-চৈশিং অসি মফম চানা থন্বগী হৈনবী লৈনবা চঙই। অদুগা মীওইবনা ওক্সিজেন য়াওদ্রবদি হিংবা ঙমদবা মরম্না ওক্সিজেন ফংবা পাম্বীশিং চীং-তমদা মরাং কায়না থাদুনা হৌহনবা মথৌ তাই। প্লাষ্টিক হায়বসিনা মৈ থাবদা ফত্তবা মৈখু ওইবা মরম্না মীওইবগী হকচাংদা শোকহনগনি।

মৈখু হায়বসিদা এরোপ্লেনদা থোক্লিবা মৈখু অসিসু ফত্তবা ওইরিবনি। অদুনা প্লাষ্টিক্কী মহুৎ শিনবা য়াবশিংদি শিন্নবা থবক পায়খৎপা মতম ওইরে। চাওখৎপগী ওইরক্লিবা অহোংবদা প্লাষ্টিক্কী পোল্যুসন হায়বসি লাকপনি। মৈখু থোকপগী চাং ৱাংলকপা অসিনা ঙসিদি ক্লাইমেটতসু অহোংবা লাক্লি। অদুনা য়ূমদা শীজিন্নরিবা পোৎ-চৈশিং অমদি ৱেষ্টনচিংবা কয়াদা মফম চানা শীজিন্নবগী হৈনবী লৈহনবা চঙই। ফৎত্রে হায়রবদি প্লাষ্টিক অসি শীজিন্নদুনা মহুৎ শিন্নবগী লম্বী অমদা চঙশিনমিন্নরসি হায়খি।

প্রসিদেন্ট ওইখিবা কঞ্জ্যুমর ক্লব মণিপুরগী প্রসিদেন্ট টি ফুলচান্দনা হায়খি, মরী লৈনবা ওথোরিটিগী অয়াবা লৌরগা হৌজিক কঞ্জ্যুমর ক্লবনা প্লাষ্টিক্কী মখলশিংদা শীজিন্নরিবা কয়াসি থিংনবগীদমক্তা দ্রাইভ চথবা হৌরগনি। মসিদা ওথোরিটিনা অয়াবা পীদবা তারগসু লিগেলগী ওইবা খোঙথাংদা চঙশিল্লগনি। মরমদি মণিপুরদা প্লাষ্টিক্কী পোল্যুসন থোক্লিবা অসিদগী কঞ্জনবা হোৎনবদা কঞ্জ্যুমর ক্লবনা থৌদাং লৌজদুনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি। মরমদি হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা মীৎয়েং চঙবীদবদগীনি।

মণিপুর লৈঙাক্লা পায়খৎনবা হৌদোক্লম্লগা মখা তানা চত্থদবা হায়বসি দ্রামা অমা হৌদোক্লম্লগা মখা তানা দ্রামা অদু উৎখিদবগা চপ মান্নবা অমনি। অদুনা মীয়ামদা মাঙলক্কদবা কয়াসি য়েংলগা তুংগী মীরোল ফাওবদা কলহৌনবা হোৎনবা চঙই। মণিপুরদা লিশাং শীৎনা ইনভইরনমেন্টকীদমক্তা হোৎনরকপগী মনুং চন্না মসিবু কন্নবা হোৎনবা চঙই। হৌজিক শীজিন্নবা য়াদ্রবা রিসর্কল তৌরবা প্লাষ্টিক অসি কদায়দগী পুরকপগে হায়রগদি বর্ম্মদগী পুরকপা ঙাক্তনি। অদুগা শীজিন্নরিবা অসিসু কৈথেলদনি।

মসি থিংলে হায়রগসু থিংলিবা মরক্তা মোরেগী চেক পোষ্ট কয়া লাল্লগা লাক্লগা কৈথেলদা পুরকপা ঙাক্তনি। অতোপ্পা মফম অমত্তদা থাবা নত্তে কৈথেলদা থারিবনি। অদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা অমদি পুলিসনা থিংগে হায়রবদি থিংবা য়াই। মরমদি চেক পোষ্ট কয়া লাল্লগা লাকপনি। লোন্না ফুরিৎখাওদা হাপ্পা নত্তে, ভেনদা, কেন্টরদা পুরকপা ঙাক্তনি। মসিগুম্বা কয়া লৈবা মরম্না মণিপুরদা প্লাষ্টিক্কী পোল্যুসন থোকপা হেনগৎলক্লিবনি। শীজিন্নবা য়াদ্রবা প্লাষ্টিক মনম নম্বা খাওশিংসি মোরেরোমদগী পুরকপা ঙাক্তনি। থিংখ্রবা পোৎ অমদা লায়না পুরকপা য়ারিবসিসু খন্থবা চঙই।

অদুগা মালেমদা লৈরিবা প্লাষ্টিক্কী পোল্যুসন থোকপগী অৱাবা লৈরিবশিং অসিদা করম্না কনবা ঙমগদগে হায়বদুগী খন্ন-নৈনবা অদু পাঙথোকচবনি। মালেমগী ওইবদা মঙাল অমা পীরি খঞ্জদুনা পাঙথোকচবনি। পোল্যুসন থোক্লকপদা কয়া য়াম্না মাঙহনবগে হায়বসি মিল্লিয়ন টন ৮ অসি চহীদা মাঙহল্লি হায়রি। মসি মণিপুরদসু সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিনা পোল্যুসন দা অকায়বা পী হায়বসি ইনভাইরনমেন টতা পীবনি।

ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা খাও পুরগা চেঙ ৱানবা, আলু, থাও, থুম লৈবগী চৎনবী লৈরম্মী। থাও অসিসু লীল্লিন্দা হাল্লন্মী অদুবু হৌজিক্তি প্লাষ্টিক্কী বোট্টল অমদি চেখাওনা শিল্লে। মসিগুম্বা কয়াসিগী খল্লগা প্লাষ্টিক শীজিন্নবা থিংনবগীদমক য়েংশিন খোঙচৎ অমা চৎননবা শেম শারে হায়খি।

থৌরম অসিদা হান্নগী কঞ্জ্যুমর ক্লবকী প্রসিদেন্ট দা. সীঐচ নোরেন্দ্র অমসুং দি এম য়ুনিভর্সিটি ইম্ফালগী হান্নগী প্রসিদেন্ট জি তোম্বনা প্লাষ্টিক পোল্যুসনগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি।

শিবগী চৈরাক পীগদবনি হায়না এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কন্মিটি তকশিল্লক্লি

থৌবাল, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস):

মশাগী চহী ৯ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু লাইরিক তাকপীবা শারগা ইজ্জৎ মাঙহনবদা চেন্নরিবা শামুরাইলাৎপম অনন্দ শর্ম্মা, অপোকপা সুবোল, তেন্থা অৱাং লৈকায়বু পোক্সো এক্টকী মখাদা শিবগী চৈরাক পীগদবনি হায়না এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কন্মিটিগী মায়কৈদগী মরী লৈনবশিংদা তকশিল্লিক্লি।

ঙসি থৌবাল ওক্রমদা লৈবা এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কন্মিটিগী লোয়শঙদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কন্মিটিগী ৱিমেন এফেয়র্সকী সেক্রেটরি পুয়াম মালেমঙানবী চনুনা পাউমীশিংদা হায়, শুপ্নগী চহী ৯খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু মোইথেম তৌরগা ফল্লানবা হায়বসি নুপী খুন্নাইবু উশিত্তবনি হায়না এমসুনা লৌই।

মহাক্লা মখা তানা হায়, ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদি নুপীবু থাক ৱাংনা থম্বা খুন্নাইনি। এমসুনা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা নুপী ওইবীশিংদা অহেনবা মীৎয়েং য়েংবীনবা মরী লৈনবশিংদা তকশিন্দুনা লাক্লি। মহৈরোয়শিংগী লুপ অসিগী মশাগী ওইজবা এমসু ৱিমেন্স ৱিং শেল্লগা নুপী খুন্নাইদা অহেনবা মীৎয়েং নুপীশিংগী য়াইফনবা থবক থৌদা কয়া পীখৎতুনা লাক্লি। মসিগী মথক্তা নুপী ওইবীশিংদা সেক্সুএল হরাসমেন্ট পীবা অমদি সেক্সুএল এসোল্ট তৌবনচিংবশিং অসি থিংনবা অহকপা চৈরাক পীনবা এন্টি রেপ লো অমা শেমদুনা চৈরাক পীনবা লৈঙাক্তা তক্লদুনা লৈরিবনি।

মহাক্লা হায়, হন্দক চহী ৯খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু মাগী মাম্মসু থোকপা মীওই অমনা ফল্লানবীখিবা অসি খ্বায়দগী থম্মোয় শোকপা থৌদোক্লি। এমসুগী মায়কৈদগী থৌদোক অদু য়াম্না হকচিন্না লৌই। চেন্নরিবা মীওই অদু লেম্না থাবা য়ারোই, লৈঙাক অসিনা এক্যুজ ওইরিবা অনন্দবু পোক্সো এক্টকী মখাদা শিবগী চৈরাক পীনবা পূক্নিং চিংশিল্লি হায়খি।

ঙসিগী পাউগী মীফম অদুদা এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কন্মিটিগী থৌ পুবাশিংসু শরুক য়াখি।

হেন্দবুক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস) :

সেন্টর ফোর সোসল দিভলপমেন্ট অমসুং মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কন্মিসন্না খুৎশম্নদুনা হ্যুমেস রাইটস এদভোকেটস অমসুং ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসরশিংগী ওইবা বেসিক হেন্দবুক অমা ঙসি ফোঙখ্রে।

মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কন্মিসনগী এক্টিং চেয়রপর্সন খাইদেম মনি, সেন্টর ফোর সোসল দেভলপমেন্টকী সেক্রেটরি য়ু নোবোকিশ্বর অমদি মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কন্মিসনগী লো ওফিসর দল্লিয়ু বসন্তকুমারনা প্রিসাইদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। ঙসি ফোঙলিবা হেন্দবুক অসিনা হ্যুমেন রাইটকী দিফেন্দরশিং, এদভোকেটশিং অমদি ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসরশিংদসু কান্নবা কয়া পীরগনি হায়না ৱাঙাঙলোইশিংনা ফোঙদোক্লখি।

ট্রেনিং য়াওগদবনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস):

য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী মখাদা ফূদ সেফটি এন্দ ষ্টেন্দর্দ ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা লৌখৎলকপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা ফূদ বিজিনেস ওপরেটর (এফ বি ও) পূনমক নুমিৎ নীনিগী ওইবা বেসিক/এদভান্স/স্পেসল ট্রেনিংদা শরুক য়াগদবনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ফূদ সেফটি এদমিনিষ্ট্রেসনগী দেজিগনেটেদ ওফিসর টিঐচ সুনিলকুমারনা থোকখিবা ওর্দর অমনা খঙহল্লক্লি।

বেসিক কোর্সতা ষ্ট্রিট ফূদ বেন্দিং, কেটরিং মেন্যুফেকচরিং, ষ্টোরেজ এন্দ ট্রান্সপোর্ট অমদি রিটেলগী ট্রেনিং পীগনি। এদভান্স কোর্সতা ইন্দষ্ট্রি কেটরিং মেন্যুফেকচরিং ষ্টোরেজ এন্দ ট্রান্সপোর্ট অমসুং রিটেলগী ট্রেনিং পীগনি। স্পেল কোর্সতনা ইন্দষ্ট্রি; শঙ্গোম অমদি শঙ্গোমগী পোখোক; এনিমেল মীট অমদি মীট প্রদক্ট; পোলত্রি মীট অমদি মীট প্রদক্ট, ফিশ অমদি সি ফূদ; পেকেজ ৱাটর, বেকরি, ইদিবল ওইল অমদি ফেট লোয়ননা হেল্থ সপ্লিমেন্টকী মতাংদা ট্রেনিং পীগনি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এফ বি ও খূদিংমক্লা ট্রেনিং অসিদা য়াওনবগীদমক মার্চ ১৮গী অয়ূক পুং ৯.৩০ তাবদা ফূদ সেফটি ওফিসর এস রোমিতাদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

মীওইবনা হিংবদা পূক্নিং ৱাখল ফনা খনবগা লোয়ননা হকচাংসু ফনা থম্বা চঙই: ভি সী

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস):

মীওইবনা হিংবদা পূক্নিং লৌশিং ঈংনা হিংবা ৱাখল তয়াং তশোয়দবা য়াম্না ঈংনা ৱাখল খনবা হায়বসি হীরম থৌদোক খূদিংদা চঙই হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর (ইন-চার্জ) প্রোফেসর এস সনাতোম্বীনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর যোগসনা স্পোর্টস এসোসিএসন (এম ৱাই এস এ) অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী যোগ দিপার্টমেন্টনা অনীনা পূন্না খূৎশম্নরগা পাঙথোকখিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ইন্দিভিজুএল ওপন যোগসনা স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ লোইশিনবগী থৌরমদা এম য়ুগী ভি সী প্রো: এস সনাতোম্বীনা মখা তানা হায়, ঐগী হকচাং ফবগী নত্তবীদা তাইবঙসিদা মীওইবনা পোক্লক্লবা ঐখোয় অসি ঈশ্বরনা পীনবিরিবা ঐখোয়গী ৱাখল, থম্মোয় অসি করম্না শীজিন্নগদগে, ঐগী হকচাংবু করম্না ফনা থমগদগে হায়বসি ঐখোয় ইশানা খঞ্জগদবা অমদি নীংজগদবা লম্বী অমনি। মদু পূম্নমক খঙহনবগীদৌরিবা অসি যোগসনানা হায়রদনা যোগগী সবজেক্ট তম্লক্লিবা অসিনি।

যোগগী সবজেক্ট অসি তম্লকপা কুইদ্রবসু হায়রিবা পোৎলম অসিদি লিরবা মতমদগী লৈরক্লবা ঙাক্তনি, অদুগা এপ্লোরেসন অদু থেংনা খঙবগী ৱানি । মদুগী সাইন্টিফিক ইন্টরফিটেসন হৌজিক্কী মতমদা সবজেক্ট অমবু ঐখোয়না তমগে হায়রবদি মাগী সাইন্টিফিক ভেল্যু করিনো হায়বসি য়াম্না তোয়না হংনবা, মদুগী সাইন্টিফিক ভেল্যু অদু পুথোক্লগা মদুগী কান্নবা অদুনা মীওইবদা পীরিবনি হায়বা ৱাফমসি লাক্ত্রিবফাওবদি সবজেক্ট অমা ওইনা কন্সিদর তৌবা হায়বসি ঙসিগী একাদেমিসিয়ন ৱর্ল্ড অসিদদি চঙউ হায়বা য়াদে। মরম অদুনা মদুগুম্বা সাইন্টিফিক ভেল্যু ময়াম অদু পুথোক্লগা মীওইবগী পুন্সিদা পীরিবা কান্নবা অসি ঐখোয়না ফংজরিবা ৱাখল্লোন অদু পুথোক্লবা মতম অদুগী মগুণ অদু য়ৌনা কারক্লবা মতম অদুদনি। য়ুনিভর্সিটিশিংদা, কোলেজশিংদা সবজেক্ট অমা ওইনা তম্নবগীদমক একাদেমি ফিল্ড অসি য়ৌনা কারক্লিবা অসিনি।

মদু পূম্নমক ঐখোয়না একাদেমিক এক্সেসেস ময়াম অদু শেম্নবগী ৱাখল লৌশিং ময়াম অদু মথং মথং লৌশিং লৈবা ময়াম অমা পূনশিল্লগা শেম্নকপা ফীল্ডশিং অদুগী মরু ওইবা ৱাফমশিং অদুনি ঙসিগী মণিপুর অসিদা খন্নগদৌরিবা অসি। অসিগুম্বা প্রোগ্রাম অমা মিনিষ্ট্রি অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা য়াম্না কন্না হৌজিক ৱাখল পূক্নিং চঙনা শন্দোক্লবা হোৎনরক্লিবা অদুগুম্বা সবজেক্ট অদু ওইরিবনি। মরম অদুনা এম য়ুগা খূৎশম্নরগা প্রোগ্রাম অমা তৌরকপা হায়বসি ঐখোয়গী লাইবক ফবনি অমদি মতাং চাবা থৌরম অমনি লৌই।

থৌরম অদুদা এম য়ুগী যোগ দিপার্টমেন্টকী ঐচ ঈ দি দা. এম নোদিয়াচান্দনা ফোঙদোকখিবদা, যোগ অসি ইন্দিয়াদগী হৌরগা পৃথিবীগী মফম শীনবা থুংনা শন্দোকখ্রে। মুণি-ঋষি কয়ানা হোৎনরম্বদগী যোগ অসি পোপ্যুলর ওইরবা পৃথিবী পূম্বনা খঙনরবা সবজেক্ট অমা ওইরে। কুমজা ইং ২০১৫গী জুন ২১দগী হৌরগা ঙসি ফাওবদা ঐখোয়না যোগ অসি ইন্টরনেসনল লেভেলদা ইন্টরনেসনল যোগ দে হায়না পালন তৌদুনা লাক্লি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদসু কুমজা ২০১৫দগী হৌরগা চাওনা যোগ দে অসি পাঙথোক্তুনা লাকখি। কুমজা ২০১৬তগী ২০১৯ ফাওবা পাঙথোকখি। চৎলিবা ২০২১দসু শোয়দনা শরুক য়াগনি। যোগ অসি মিনিষ্ট্রি লেভেলদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অসি মমিং লৈ। মরমদি কুমজা ২০০৮ দা দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসন লাকপদগী ঙসি ফাওবা দিপার্টমেন্ট অসিদা যোগগী স্পেসলাইজ ছাত্র কয়া লৈদুনা লাক্লি। কুমজা ২০২২-২৩দা মেজর রিসর্চ প্রোজেক্ট কয়াদগী যোগগী এক্টিভিটি অসি হোৎনরগা মসিগী মতুংদা ইন্টরনেসনল যোগ লাকপদগীদি য়ু জি সীগী ৱেবসাইটতা অমদি মিনিষ্ট্রিগী ৱেবসাইটতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এক্টিভিটি অসি চাওনা রিফেক্লট তৌরগা লৈ। ময়ামশিং অসি খঙবীবদগী মিনিষ্ট্রিনা য়ুনিভর্সিটি তরুক্তা যোগগী দিপার্টমেন্ট হাংনবা খঙহল্লকপদা কুমজা ২০১৭তা পীরকপা ওর্দর অমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিসু শরুক অমনি হায়রি।

মখা তারকপদা য়ুনিভর্সিটিদা দিপার্টমেন্ট ওফ যোগ লৈরে। দিপার্টমেন্ট অসিদা মাষ্টর দিগ্রী থর্দ সেমিষ্টর ফাওবা য়ৌরে। হৌজিক মহৈরোয় খরদি ফোর্থ সেমিষ্টর দা মাষ্টর পাস তৌগদৌরিবনি। অদুগা পোষ্ট দিগ্রী দিপ্লোমাদি চহী শুরক্লে। হৌজিক অহুমশুবা বেজ চৎলি। মথং তারকপদা পোষ্ট ময়াম অমা হাংলকপা য়ারি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এম য়ুগী রেজিষ্ট্রার প্রো: দল্লিয়ু চন্দ্রবাবু, এম য়ুগী দীন, স্কুল ওফ এদ্যুকেসনগী প্রো: টি ইনাওবী, সোসল এক্টিভিষ্ট এল মিনাবসন্ত অমদি মণিপুর যোগসনা স্পোর্টস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট দা. এল চাওবসু শরুক য়াখি।

অয়াবা য়াওদনা ঈশৈ-নোংমাই তৌনবা থৌরাংলম্বা থিংজিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেব ষ্টেট খরদদি অমুক হন্না লাক্লে হায়দুনা লোকদাউন ফাওবা তৌনবা হৌনখ্রবা চৈরক অসিদা মরি লৈনবা ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা ঈশৈ-নোংমাইগী থৌরম পাঙথোক্লবা হোৎনরম্বশিং ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা থিংখ্রে হায়না ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোমনা ফোঙদোরক্লি।

ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ভিক্টোরিয়া য়েংখোমগী মীৎয়েং মখাদা এস দি পি ও ককচিং নন্দবাবু অমসুং ও সী ককচিং এ কে প্রেমজিৎ অনীনা লুচিংবা পুলিসকী কাংবু অমনা ককচিং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা ৱাবগাই অৱাং লৈকায়দা লৈবা দল্লিয়ু এ এল ৱাই দি এগী লম্পাক্তা ঈশৈ-নোংমাইগী থৌরম অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরম্বা থেংনবদগী খুদক্তা থিংখিবনি হায়রি।

ৱাবগাই অৱাং লৈকায়দগী ময়েংবম অরুন (৩০) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম রাজেন মচাগী চুরাকনগা মরি লৈননা লৈঙাক্কী মরি লৈনবা লোইশঙদগী অয়াবা লৌবা তৌদনা ঈশৈ-নোংমাইগী থৌরম অদু পাঙথোক্লবা থৌরাংলম্বদগী কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা থিংনবা চৎন-কাংলোনগী মতুংইন্না থৌরম অদু খুদক্তা পুলিসকী কাংবু অদুনা চঙশিন্দুনা থিংখিবনি হায়রি।

মতুং তারকপদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট অসিদা মরি লৈনবা লৈঙাক্কী লোইশঙগী অয়াবা য়াওদনা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেব শন্দোরকপগী ষ্টেট খরদা লোকদাউন ফাওবা তৌনখ্রবা মতম অসিদা অসিগুম্বা থৌরমশিং অসি শিনবিগনু হায়নসু এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোমনা মীয়ামগী পুক্নিং চিংশিল্লক্লি।

তাউরেমদা নৌনা শাবা কম্যুনিটি হোল শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস):

খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুং চন্না লৈবা তাউরেমগী খুনগী খুঞ্জাশিংনা মতম কুইনদগী শাবিয়ু হায়দুনা লাক্লবা কম্যুনিটি হোল অমা খুন্দ্রাকপম জি পিগী মেম্বর থাংজম ওংবি অঙৌবিনা অন্দর দ ১৫ ফাইনান্স কন্মিসন ২০২০-২১গী মখাদা শাদুনা তাউরেম খুনগী খুঞ্জাশিংদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

কম্যুনিটি হোল শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা সোসল ৱার্কর অমদি সীনিয়র এক্টর খোইরোম লোয়ালাকপা , খুন্দ্রাকপম এ সীগী হান্নগী বি জে পিগী মীরেপ অমদি সোসল ৱার্কর থাংজম মুহিন্দ্রো অমদি খুন অসিগী তোঙান-তোঙানবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরি লৈননা বি জে পিগী হান্নগী মীরেপ অমদি সোসল ৱার্কর থাংজম মুহিন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা লৈঙাক্লা দিভলপমেন টকীদমক থাদরক্লিবা শেনফমশিং অসি মফম চানা শীজিন্নবা চঙই। মদুনা খুন্নাই অমা চাওখৎনবগী লম্বীদা মাঙজিন থানা চঙশিনবা ঙম্বা হায়বদু ওইগনি। মরম অদুনা মীয়ামগী থবক তৌরিবা মীপুম খুদিংমক্লা পুকচেল শেংনা থবক তৌবগা লোয়ননা পায়খৎলিবা চাওখৎপগী থবক-থৌরমশিংদা মীৎয়েং শান্না য়েংনা তৌবগী তঙাইফদবসু লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

শেন্দোইদি অহিং তুমদে ফিল্মগী য়াইফ থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস):

লোন লৌখিবশিংনা মতম চানা শিংলবা মতমদতা ফাইনান্সিএল ইন্সটিট্যুসনশিং চাওখৎপা ঙমগনি হায়না প্রদ্যুসর রতন নামোইজমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি সনা শঙাই ফিল্ম প্রদক্সনগী বেনর মখাদা অহুমশুবা ওইনা পুথোকপা শেন্দোইদি অহিং তুমদে হায়না মিংথোনবা ফিল্ম অসিগী হোটেল ইম্ফালগী শঙাই হোলদা পাঙথোকখিবা য়াইফ থৌনিগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি। ফিল্ম অসি চিংখৈলেম্বীনা প্রজেন্ট তৌবনি। ফিল্ম অসিগী দিরেক্টরনা হোমেন দি ৱাই, সিনেমাটোগ্রাফি বুং কোঞ্জেংবম, এদিটর মোহেন্দ্রো কামস অমসুং মেকঅপ আর্টিষ্টনা রুসিয়ানি। ফিল্ম অসিদা সুরজ, শিলহৈবা, বিজু অমদি গীতানচিংবনা মরুওইবা মমিরোইশিং ওইনা শরুককয়ারি।

এম বি বি এস তম্বা মহৈরোয় ১ হোষ্টেলদা থৌরি য়ান্দুনা শিরম্লে

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচ এন এস) :

রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা এম বি বি এস ৫ সেমিষ্টর তম্লিবা মহৈরোয় অমা মহাক্কী কা মনুংদা থৌরি য়ান্দুনা শিরম্লে।

থৌদোক অসি ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। লৈখিদ্রবা মহৈরোয় অদুগী মমিং সনাতোন অথোকপম (২৮) অপোকপা এ টিকেন কৌই। মহাক ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খুরাই থাংজম লৈকায়দা লৈবনি। হৌজিক্লা রিমসকী হোষ্টেল নম্বর ৩ গী ফার্ষ্ট ফ্লোরদা লৈবনি হায়রি।

মহাক্লা লৈরিবা থোঙ অদুগী পুনা অদু থুগাইরবা মতুংদা মনুংদা চঙলগা য়েংবদা কা অদুগী শিল্লিং ফেনদা থৌরি য়াল্লগা শিদুনা লৈরম্বনি। মখূৎ অনী অদুসু মাঙলোমদা কোমতক্লা পুল্লম্মী হায়রি।

ঙসি অয়ুক মহাক লন্স লৌবা থোরকখিদে। থোঙ লোনশিল্লগা লৈবদগী মমানবশিংনা কৌবদা তাদবদগী থোঙ অদু নমখায়রুবদা থৌরি য়ান্দুনা লৈরম্বনি। মহাক খুদক্তা রিমসকী কেজুয়েলটিতা পুশিন্দুনা লায়কন্নবা হোৎনবদা লৈখিদবনি।

থৌদোক থোকফম অদুদা ফোরেনসিক সাঙ্গকি টিম অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট পুসিলকী এস পি কে মেঘচন্দ্রসু লাক্তুনা য়াম্না কুপ্না য়েংশিনখি। মতুংদা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা লম্ফেল পুলিসনা রিমসকী মোর্গতা থমখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখত্তুনা থিজিনবা হায়রি।

অমরোমদা চহী খরাগী মমাংদসু রিমসকী হোষ্টেলদা লৈবা মহৈরোয় অমসুং শিল্লিং ফেন্দা থৌরি য়ান্দুনা শিরম্বগী থৌদোক অমসুং লৈখ্রে।

মতেং পাংদুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস):

য়ুনিকাস দেল্লিগী এদভাইজর ডা. বোবো নাউরেম অমদি প্রসিদেন্ট পালমোল য়েংখোমনা লুচিংবা টিম অমনা মৈনা মাঙ তাকহনখ্রবা অঙান চীং ইকো-পার্ককী ফীভম য়েংশিনবগা লোয়ননা ৱা হৌবা মফমদা ৱা পান্সী অমা থারম্বা য়াওনা ফোরেষ্ট অসিবু রিভাইভ তৌনবা হোৎনবদা মতেং ওইনবা লুপা লিশিং অহুমগী মতেং তৌবিরম্বা অমদি ইকো পার্ককী ভলন্টিয়রশিংবু পুক্নিং থৌগৎখ্রে।

হৌখিবা মার্চ ৫দা থোকখিবা লাম্মে চাকপগী থৌদোক্তা মরু কোকহনখ্রবা অঙান চীং ইকো পার্ক ককচিংগী শরুকশিং অমুক হন্না শঙহন্নবা মার্চ ১৪দগী চঙশিনবা হৌখিবা 'অঙান চীং ইকো পার্ক : লেটস মেক ইট গ্রিন এগেন' হায়বা কেমপ্যেনবু পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা পৈশাগী অমদি অতৈ তেংবাঙ তৌবিরকপা পূম্নমকপু সুরজিৎ ক্ষেত্রিময়ুম সেক্রেটরি এ দি এ এম অমদি কো-ওর্দিনেটর মেনেজমেন্ট কন্মিটি অঙান চীং ইকো পার্ক ককচিংগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

রেনু হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্টকী শো রুম হাংদোকখ্রে

থৌবাল, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস):

মণিপুরগী হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্টপু মালেমদা মশক তাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা অরাম্বম রেনুগী রেনু হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট শো রুম অমা ঙসি কৈশাম্পাৎ থিয়াম লৈকায়দা হাংদোকখ্রে।

রেনু হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট শো রুম হাংদোকখিবা অদুগা মরী লৈননা অরাম্বম রেনুনা ফোঙদোকখিবদা শো রুম অসি বাংলাদেশ, গুৱাহাটিদসু লৈরে। ইম্ফালদনা ঙসি হাংদোক্লিবা অসিনা অহানবনি। লৈঙাক্কী থবক খক্তনা থবক নত্তে। কনা লৈজদ্রবশিংগীদমক্তা পুন্সি অসি কৎথোক্তুনা য়ূম ইঙ্খোল ফাওবা য়োম্থোক্তুনা মখোয়শিংবু থবক পীদুনা ইরমদম অসিগী হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট চাওখৎনবা হোৎনরকখিবনি। শোখরবা, মরাইবকথীরবা, মপুরোয়বা কায়নখ্রবী অমদি মমা মপা লৈজদ্রবী কয়া অমা থবক পীরি। লৈঙাক্লা হেন্দলুমদা সপোর্ট নিংথিনা তৌহন্নীংই। হেন্দলুমগীদমক ইশাগী লৈজবা লম য়োম্থোক্তুনা অমদি লোন লৌদুনা পুন্সি অসি কৎথোক্তুনা থবক তৌরকখিবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

NIT NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh , Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE
CLASS X & XII (SC.)(BOSEM,COHSEM) CLASS STARTING - 3rd FEB, 2021
CLASS X & XII SC. (CBSE) CLASS STARTING - 11th FEB, 2021
SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR (IX & X) (BOSEM) STARTING ON - 4th MARCH, 2021
* Only 30 students per batch.
* Class test will be conducted.
* Carrer Counselling for future study.
* Study Material will be provided.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Transport & Hostel facility will be abailable.
Office Hour : 2:00 p.m. - 8:00 p.m. & Class Timing : 3:30 p.m. - 7:30 p.m.
RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari)
Contact No. - 8014221074 / 7005787091
HL-B/6719/21/1-26/2

HL-B/6795/11-16
APOLLO ACADEMY
Moulding Medical & Engineering Career
ADMISSION OPEN
5 months Regular (Offline) NEET - 2021 Target Course
Class Commencement : 8th March, 2021
Class timing : 6:30 A.M. to 10.00 A.M.
Facilities :
✓5 Full Length Test series
✓15 Unit Test (Sunday) Series
✓Explanatory Key Notes for each Test
Lodging for Boys & Girls :
N.B: Best Opportunities for NEET - 2021 Aspirants
Office timing : 6:00 A.M. to 4:00 PM.
For details, kindly contact :- APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.